# হুইয়েন লানপাউ

Refreshingly Reliable — The messenger of the masses

Vol. 40, Issue No.175 | থাংজ, লাংবন ২৪নি পানবা, | অপুনবা লমায় মশিং ১২ | HUEIYEN LANPAO, | Saturday, September 24, 2016, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50


মণিপুর ষ্টেট ম্যুজিয়ম, দিপার্টমেন্ট ওফ আর্ট এন্দ কলচরনা শীন্দুনা ম্যুজিয়ম অসিদা পাঙথোকপা মণিপুর ষ্টেট মুজিয়মগী ৪৭শুবা মপোক কুমওন থৌরমগী শক্তম



লিগেল সার্ভিস ওঠোরিটি থৌবাল, দিষ্ট্রিক্ট ভেক্টর বোর্ন দিজিজ কন্ট্রোল প্রোগ্রাম থৌবালগী মীৎয়েং মখাদা য়াইরিপোক বিষ্ণুনহাদা কাঙ্খল হীদাক লুপ্পা



ইবোয়াইমা শুমাঙ লীলা শঙলেন্দা ইরমদম মণিপুর আর্টিষ্ট এসোসিএসন (ইমা)গী ৯শুবা শুমাং লীলা পাখঙ নম্বর ১ উৎপগী থৌরম হৌদোকপগী মৈরা চুখৎপগী শক্তম



মিনিষ্ট্রি ওফ কলচরগী মীৎয়েং মখাদা পুথোকপা মণিপুরী নাইতোম জগোই এম দি য়ু হোলদা হুইনিংশুম্বম উশাপ্যারীনা মীয়ামদা উৎপগী শক্তম



## অ ঈং-অশাগী পাউ

| দিষ্ট্রিক্ট | খ্বাইদগী শাবা | খ্বাইদগী ঈংবা |
|---|---|---|
| বিষ্ণুপুর | ৩০.৭৫ °c | ২২.০৫°c |
| চান্দেল | ৩৩.৫৪ °c | ২৭.০৮°c |
| সীসীপুর | ৩০.৮৬°c | ২০.৪৯°c |
| ইম্ফাল | ৩১.৪৬ °c | ২২.০৪°c |
| সেনাপতি | ২৬.৮৭°c | ১৬.৯৫°c |
| তমেংলোং | ৩৩.৩০ °c | ১৯.১৮°c |
| থৌবাল | ২৮.৯২ °c | ২১.২৮°c |
| উখ্রুল | ২১.৩৪ °c | ১৫.৮৬°c |
| মণিপুর | ৩৪.৬২ °c | ১৫.৮৬°c |

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ৪.০১ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৫.০৪
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.০৮
দিরেক্টোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট, জি ও এম

## পব্লিক হিয়ারিং

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৩ : মণিপুর রিন্যুএবল ইনর্জি দিভলপমেন্ট এজেন্সীনা পায়খৎকদবা সোলর রূফটোপ প্রোজেক্টকী টারিফকী মতাংদা পব্লিক হিয়ারিং অমা জোইন্ট রেগুলেটরি কম্মিসন ফোর মণিপুর এন্দ মিজোরামনা থা অসিগী ২৬কী নুংথিল পুং ১ দগী নুংথিল পুং ৩ ফাওবা হোটেল ক্লাসিক্তা পাঙথোক্কনি হায়না দি আই পি আরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

## ট্রেনিং প্রোগ্রাম

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৩ : সোসাইটি ফোর হেল্‌ঠ এন্দ এদ্যুকেসনেল দিভলপমেন্টনা শীন্দুনা চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা কোল্লাথাবীদা ঙরাং পার্সন ৱিথ দিসএবিলিটিজকী ফেমিলিজ অমদি ষ্টেকহোল্ডরশিংগী ওইবা নোংমগী ট্রেনিং প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে। ট্রেনিং প্রোগ্রাম অসি নেসনল ইন্সটিট্যুট ওফ ইম্পাৱর-মেন্ট ফোর পার্সন ৱিথ মল্টিপল দিসএবিলিটিজগী স্পোন্সরশিপ মখাদা পাঙথোকপনি হায়নসু পাউ অসিনা মখা তারি।

## কন্সটেবলগী পি ঈ টি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৩ : মণিপুর পুলিস ট্রেনিং কোলেজ পাঙ্গৈদা চহীসিগী ওগষ্ট ৩০ দগী থা অসিগী ২২ ফাওবা চথখিবা মণিপুর পুলিস কন্সটেবল রিক্রুটমেন্টকী ফিজিকেল ইফিসিএন্সি টেষ্ট (পি ঈ টি) দা শরুক য়াহৌদবা কেন্দিদেটশিংনা মখা তানা পি ঈ টিদা শরুক য়াবা য়াগনি হায়না দি পি সী ফোর দাইরেক্ট রিক্রুটমেন্ট ওফ পুলিস কন্সটেবল ...

মখা লামায় ৩ কলম ৪

## গ্যাসকী পাউ লামায় ৩দা ফংবিগনি

*গ্যাস এজেন্সীশিংনা গ্যাস য়েনবগী পাউ ফোন নম্বর ৯৭৭৪৮০৩৩১০দা পীবিরকউ।*

## HL POLL

**Q : Shaktak che yaorabasu mayang changlakpa thinggani haiba JCILPS ki protest asi chumbra?**

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da visit toubiyu

**NGARANG GI RESULT**

**Q : Manipur da meetop changlakpada passenger puba garigi driversinggi khut yaoi haiba yaningbra?**

Yes 95% No 05%

## অস! লোইরেহে!

য়ুমগী ছো শীন্নগদবনি, ঐগী অয়াবা য়াওদনা থবক অমত্তা তৌবা য়ারোই!





# জে সী আই এল পি এসনা ময়াং চঙলকপা থিংবগী খোঙজং হৌখ্রে

## মণিপুরদা ময়াং পুশিল্লকপা বস ১ অমসুং এজেন্সি থা ১ থিংজিনখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৩(ঐচএন এস): য়েলহৌমী কন্নবা লো শেম্মু হায়বা দিমান্দ তৌরদুনা জোইন্ট কম্মিটি ওন ইন্নর লাইন পর্মিট সিষ্টেম (জে সী আই এল পি এস) না খঙহনখিবা ৱাফম লৈঙাক্লা তাশিন্নদনা লৈথোকপগী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট ওইনা ষ্টেট অসিদা ময়াং চঙলকপা থিংবগী খোঙজং ঙসিদগী হৌখ্রে।

মাঙজৌননা মীয়ামদা লাউথোক্কুনা খঙহনখিবা জে সী আই এল পি এসকী ৱাফম ঙাক্তনা গুৱাহাটিদগী ইম্ফালদা ঙসি চঙলকপা পেসেঞ্জর পুবা বস অমা চেক তৌরুবদা ময়াং ২১ য়াওরম্বা থেংনবদগী ময়াং পুশিল্লক্লিবা দবেন্তি ট্রেভেলস (বস) অমসুং রাজধানি এজেন্সি থা অমমম্‌ সর্ভিস তৌবা থিংজিল্লে হায়না লাউথোকখ্রে।

জে সী আই এল পি এসকী কনভিনর বি কে মোইরাংচানা পাউমীশিংগা উন্নবদা মহাক্না হায়খি, ঙসি নুমিৎয়ুংবদা গুৱাহাটিদগী নন



লোকেল ২১ হাপ্লগা দবেন্তি ট্রেভেলস (এমএন০১/১৯৪৫) অসিনা কংলাতোম্বী ফাওবা পুরক্লগা থল্লমখি। মতুংদা নন লোকেল ২১ অদু কাংপোকপীদগী ইম্ফাল তম্না চেনবা লোকেল বস অমদা অমুক লাকপনি।

পাউ অসিনা মখা তানা হায়, কাংপোকপীদগী ইম্ফাল তম্না লাকপদা জে সী আই এল পি এসকী ৰুমেন ৱিংগী মেম্বর অমনা বস মনুংদা নন লোকেল ময়াম অমা তোংবা উবদগী খুয়াথোংদা চেক তৌখি। তুংদা মখোয় ২১ ফাজিল্লগা থমখি। ফাজিল্লগা থমখিবা মখোয় অসামগী কামপুর দিষ্ট্রিক্টতগী থবক শূবা শিন্নী ঙাক্তনি। মখোয়বু মচীন হংবদা থৌবালদা লৈবা স্যামা পাৱর ইন্দিয়ন লিমিটেদকী মখাদা থবক শূনবা লাকপনি হায়না ফোঙদোরকই হায়রি।

বি কে মোইরাংচানা মখা তানা হায়খি, জে সী আই এল পি এসনা হান্না লাওথোকখ্রবা মতুংদা দবেন্তি ট্রেভেলসনা মীতোপ মীয়ানচা পুশিল্লকপগী মতাংদা রাজধানি ট্রেভেলস এজেন্সিগী মীওইশিংবু ৱারী শাননবা অমদি মখোয়না পুশিল্লক্লিবা মপান লমগী মীওইশিং অসি অমুক কৌবদা মতম চানা লাক্তবদগী ইম্ফাল পুলিসকী এস দি পি ও ধনশ্যাম অমদি ও সী দিনেসনা লুচিংবা টিম অমনা লৌবা লাকপদগী জে সী আই এল পি এসকী কাঙবুনা ময়াংশিং অদু ঙসি নুমিদাংৱাইরম পুং ৪.৩০ রোম তাবদা পুলিসতা খুৎশিন্নখিবনি হায়রি।

ময়াংশিং অদু মণিপুরদগী মরমদা হনখিনবগী দরকার লৈবা পুন্সা দবেন্তি ট্রেভেলস অমদি রাজধানি এজেন্সিনা দাইত্ব লৌগদবনি হায়রি।

খুঙ্গংগী মপাউ - হৈকক্‌পোকপী তরাও খুল

# খুঞ্জাশিং টৌটি ঈশিংগী মহাও তংদ্রি



**ওকেন্দ্রো খুন্দোংবম**

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৩ (ঐচএন এস): মহিক-মনাই চেন্দবা অফবা থক্লবা ঈশিং মীপুম খুদিংমক্তা ফংহন্নবা মণিপুর লৈঙাক্লা হোৎনরি হায়জরবসু *এল হৈকক্‌পোকপী তরাও* খুলদা লৈবা মীয়ামদি টৌটি ঈশিংগী মহাও তংদ্রি।

এল হৈকক্‌পোকপী তরাও হায়রিবা খুল অসি চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা ৪২-তেংনৌপল এসেম্ব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মনুং চনবা অপিকপা খুল অমনি। মচি ব্লোক মনুংদা লৈবা খুল মচাসি শুপ্পগী য়ুমকোক ২২ লৈবা অদুগা মীকোকনা ৬৭ লোম লৈবা তরাও ফুরুপনা খুন্দাবা খুলনি।

খুলসিদা চাউখৎ থৌরাংগী থবক থৌরমদি লাইরদনা ইমুং খুদিংমক্কী নোংমগী তঙাইফদনা চঙবা ঈশিং লৈঙাক্কী অমদি খুলগী ওইনা পাম্বে অমত্তা লৈত্রি। মরমদুনা এল হৈকক্‌পোকপী তরাও খুলগা হেক থংননা লৈরিবা ককচীংদগী লন্নাই মীওই অমগী লমদা লৈবা পুখ্রি অমনা ঈশিং ফংনবা মরুওইবা মফম ওইরি।

খুল অসিগী পাষ্টর কে ঐচ এংলৈনা পাউচে অসিদা হায়খি, এল হৈকক্‌পোকপী তরাও হায়বা খুলসি লাইমনাইদগী হোংলকখিবনি। লাইশোক চীংগী মনুং চল্লি হায়দুনা লাইচিংগী মহুৎতা এল শীজিন্নদুনা লাকপনি। খুল মচাসি কুমজা ১৯৮৪ দগী মফমসিদা খুন্দাবা হৌরকপদগী হায়রিবা পুখ্রি অসি অদুমক লৈরল্লবনি।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়, পীকখ্রবা খুলসি ৪২-তেংনৌপল এসেম্ব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মনুং চনবা মফমনি। এ সী অসিগী মীহুৎ হৌজিক হৌজিক ষ্টেট কেবিনেটতা কেবিনেট মিনিষ্টর অমা ওইরিবা হেল্‌ঠ মিনিষ্টর দি কোরুংথাংগী মীওইশিংনি। তরাও খুঞ্জাশিংনা কয়ারক হায়জরবসু মিনিষ্টর অসিনা ঙসি ফাওবদা ৱাটর সপ্লাইগী খুদোংচাবা ফংহনবীদ্রি। ৱাটর সপ্লাইদি লায়রদনা হেন্দপম্প অমত্তসু থম্বীদবনা খুলগী পুখ্রি ওইরিবসিদগী ফুরুপসিগী চান-থক্লবা, ফিশু-ফিজাম্বা য়াওনা অতৈ হীরমশিংদা শীজিন্নগদবা ঈশিং খুদিংমক মফমসিদগী শীজিন্নরি।

লায়রবা খুঞ্জাশিংনা খুন্দাবা খুল ওইবনা ...

মখা লামায় ৩ কলম ২

# দেসামনা ওজা অহুমদা শেংদোরক্লবা খঙহল্লক্লি



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৩ (ঐচএন এস): মণিপুরগী য়েলহৌ ফুরুপ অমা ওইরিবা মৈতৈ/মীতৈবু ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ৩৪২ (১) গী মখাদা সেদ্যুল্ড ট্রাইবকী লিষ্টতা চলহল্লু হায়বা দিমান্দ তৌদুনা মীয়াম্না খোঙজং কয়া চঙশিল্লিঙৈ চৈরক অসিদা *ক্লেইমস এন্দ রিফ্যুটেসন্স: কম্পাইলেসন ওন ইন্নর লাইন পার্মিট সিষ্টেম* হায়না মিংথোনবা লাইরিক অমদা চয়েৎনবা য়াবা ৱাফম কয়া ইরকপনা মীয়ামদা চমম্নবা কয়া পোকহল্লে হায়না দেমোক্রেটিক ষ্টুদেন্টস এল্লাইয়েন্স ওফ মণিপুর (দেসাম) না ফোঙদোরক্লি।

কৈশাম্পাৎতা লৈবা মহৈরোয় লূপ অসিগী ওফিসতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা দেসামগী প্রসি-দেন্ট মোইরাংথেম অঙম্বনা হায়খি, কোওর্দিনেটিং বোদি ওফ সেদ্যুল্ড ট্রাইব দিমান্দ কম্মিটি (সী বি এস টি দি সী) না মৈতৈ/মীতৈবু সেদ্যুল্ড টাইবকী লিষ্টতা চলহন্দুনা কন্সটিট্যুসনগী চৈঙাক অমা ফংহল্লগা য়েলহৌমীশিংবু কঞ্জনবা খোঙজং অসি দেসামনা মরম চায় খল্লগা ...

মখা লামায় ৩ কলম২

# ‘অরুবা তানফমদা মায় পাক্লকপা অফবা খোঙথাংনি’

ইম্ফাল,সেপ্টেম্বর ২৩ (ঐচএন এস): সদর হিলস ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সীল (এ দি সী)গী মনুং চন্না লৈবা ৮-ৱাকোটফাই দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সীল কন্সটিট্যুয়েন্সীগী বাই ইলেক্সন্দা মায় পাক্লকখ্রবা এ দি সী মেম্বর সৈলেন লৌজেমবু তরাম্না ওকপগী থৌরম অমা ঙসি কোংগ্রেস ভবন্দদা পাঙথোকখ্রে।

৮-ৱাকোতফাই দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সীল কন্সটিট্যুয়েন্সীগী বাই ইলেক্সন্দা মায় পাক্লকখ্রবা কোংগ্রেসকী মীরেপ সৈলেম লৌজেমবু ঙসি মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটি (এম পি সী সী)গী প্রসিদেন্ট টি এন হাওকিপনা তরাম্না ওক্তুনা ঈকায় খুম্নবা উৎখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙলদুনা এম পি সী সীগী প্রসিদেন্ট টি এন হাওকিপনা হায়খি, সদর হিলস এ দি সীগী মনুং চন্না লৈবা ৱাকোটফাই দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সীলগী বাই ইলেক্সন্দা কোংগ্রেসকী মীরেপ্পা মায় পাক্লকখিবা অসি য়াম্না নুংঙাইবা তানফম অমনি। লুরবা তাঙ্কক্তা মায় পাক্লকপা হায়বসি অফবা খোঙথাংনি। পোলিটিকেলগী হৌজিক ওইরিবা ফীভম কয়া অসিদা হন্দক্তা পাঙথোকখিবা ৱাকোটফাই দিষ্ট্রিক্টকী কাউন্সীলগী বাই ইলেক্সন্দা মায় পাক্লকখিবা কোংগ্রেসকী মীরেপ অসি তরাম্না ওক্তুনা পূক্নিং থৌগৎপনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

বাই ইলেক্সন অদুদা মায় পাকখ্রবা এ দি সী মেম্বর সৈলেন লৌজেমনা হায়খি, হন্দক পাঙথোকখিবা বাই ইলেক্সন অসি কোংগ্রেস অমদি বি জে পি কন্না লম্বা তৌনখিবা মীখলনি। অসিগুম্বা মীখল অসিদা মীয়াম্না থাজবা থম্বদগী মায় পাকপগী নুংঙাইবা অসি ফংবনি। মীয়ামগী থাজবা মাঙহন্দনা থবক তৌগনি। মখা তানা মীয়ামগা তানদুনা তৌবা য়াবা থবকশিং পায়খৎনবা মীৎয়েং চঙগনি। এম পি সী সীগী মায়কৈদগীসু নীংথিনা শৌগৎতুনা হোৎনরকখিবা কয়া অসিনা মায় পাকপদা চাউনা মতেং পাংখি। মখা তানা য়াম্না কোওর্দিনেসন লৈনা থবক তৌদুনা হেন্না মায় পাকপা লন্থীদা লাক্লবা হোৎনবা পামই হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা শরুক য়ারদুনা সদর হিলস এ দি সীগী চেয়রমেন হাও-খোলেৎ ...

মখা লামায় ৩ কলম ২

# একাদেমী ফোর সিভিল সার্ভিসেস ইগজামিনেসন হাংদোকখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৩ (ঐচএন এস): রাম কৃষ্ণ মিসনগী একাদেমী ফোর সিভিল সার্ভিসেস ইগজামিনেসন ঙসি ইম্ফালগী বাবুপাড়াদা হাংদোকখ্রে।

একাদেমী ফোর সিভিল সার্ভিসেস ইগজামিনেসনগী ইন্সটিট্যুট হাং-দোকপগী থৌরম অদু রিটয়ার্ড আই পি এস পোৎশংবম ধনাকুমারনা মৈরা চুখৎতুনা হৌদোকখি।

থৌরমদুদা ৱা ঙাঙলদুনা রিটয়ার্দ আই পি এস পোৎশংবম ধনাকুমারনা হায়খি, লমদম অসিদগী লাইরিক হৈরবা নহা কয়া সিভিল সার্ভিস ইগজামিনেসনশিং মায়োক্লনবগীদমক লৈবাক অসিগী মেট্রোপোলিটান সিটিশিংদা চত্তুনা কোচিং তৌনৈ। মহৈরোয়শিংনা অসিগুম্বা মখলগী কোচিংশিং অসিদা শরুক য়ানবগীদমক অহেনবা চাদিং কয়াসু তৌরি। অসিগুম্বা ফীভম অসিদা রাম কৃষ্ণ মিসনগী একাদেমী ফোর সিভিল সার্ভিসেস ইগজামিনেসন ঙসি হাংদোরকপা অসিনা লমদম অসিগী নহা ...

মখা লামায় ৩ কলম ৪


HL-B/3318/14-30Sept. (even)







